**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-02-2025)**

**ফিলম (এল)ঃ** অনিসুবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ২০২৫ হয়েং ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হৌদোক্লগনি।

মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি অমসুং মণিপুর ষ্টেট ফিলম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটনা শিনবা হৌদোকপগী থৌরমদা হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন সিংহ, শকাইরবা ফিলম দিরেক্তর অরিবম শ্যাম শর্ম্মা অমসুং চীফ সেক্রেটরি পি.কে. সিংহ শরুক য়াগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা নৌনা শেমদোক্লবা মণিপুরী ফিলম ইশানৌ থিয়েটর মরি- মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতি, তান্থা পোলিস, কিউমেক্স অমসুং চন্দ্রকৃতি ওদিতোরিয়ামদা উৎকনি। কুমশি চহিগী ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল অসিদা মপান লৈবাক্কী ফিলমশিং য়াওনা পুন্না ফিলম ৫৪ উৎকনি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট-কে.ঐচ. দেববরতানা হায়রি-সসপেন্সন ওফ ওপরেসনদা লৈরিবা কুকি লালহৌবশিং অসি কংগ্রেসকী মতমদা খুৎলায় থাদোকপা, দিজিগনেটেদ কেম্পতা লৈবা অমদি মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাক্কনি হায়না য়ান্নখিবনি।

ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি.জে.পিগী থম্বাল শঙলেনদা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা দল অসিগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী দেববরতানা হায়-সুদা লৈরিবা লালহৌলুপ অমগী লুচিংবা অমনা ফোংদোকখিবা ৱাফমদা কংগ্রেসকী মতমদা মীখলদা য়াওবগী অয়াবা পীরমদে। মহাকা মখা তানা হায়-হৌজিক ওইরিবা

মনিপুরগী ফিভম অসিদা মীচম মীয়ামবু ঙাক শেন্নবা সংবিধাননা পীরিবা হকশিং মীয়ামদা খঙহনবা চংই।

**ৱাটরসেদ (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-ক্রিসি সিনচাই য়োজনা ৱাটরসেদ দিবলপমেন্ট কম্পোনেন্ট টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা ষ্টেট লেবেল নোদেল এজেন্সি মনিপুর ৱাটরসেদ মেনেজমেন্টনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা ৱাটরসেদ যাত্রা আউটরিটচ কেম্পেইন অমা ঙসি ককচিং জিলাগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখে।

কেম্পেইন অদুগী শরুক অমা ওইনা ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা মীয়ামগা লোয়ননা ঈশিং য়োকশিন্দুনা থমবা ৱাশক লৌমীন্নখি। লোয়ননা মীয়ামনা ঈশিং য়োকশিনবগী হৈনবী থমসি হায়না পাউজেল পীবা খোঙচৎ অমসু দি.সিনা লমথাখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা রোহিত অনন্দনা হায়-ককচিং জিলা অসি লৌমীশিংনা নমা খুন্দাবা মফম অমনি। মরম অদুনা ঈশিং নীংথিনা য়োকশিনদুনা থমবা আপিল তৌবগা লোয়ননা কেম্পেইন অসি মায় পাকহনসি হায়খি।

**এময়ু (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ইগজামিনেসন সেক্সন অমসুং য়ু.জি.সি. মালাভিয়া মীসন টিচরস ত্রেন্নিং সেন্টরনা খুৎশমনা শিনদুনা পরিক্ষাগী চে য়েংবা অমসুং ৱাহং শেম্বগী মতাংদা নুমিৎ হুমনি চথুগদবা ৱার্কশোপ অমা ঙসিদগী মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভি.সি. কোর্ট হোলদা হৌখ্রে।

**হেলথ (এল)ঃ** মনিপুর হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চমবো গোনমৈনা হায়রি-অনা লায়েংবগী লমদা থবক তৌরিবা নর্সশিং অসিনা হকশেলগী লমদদি অচৌবা থৌদাং লৌরি। মখোয় অসি অনা লায়েংগী লমদদি য়াংলেন শরূ ওইরিবনি।

ৱাফম অসি লমফেলগী ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেসকী আর.দি.ৱিংদা

লৈবা ফিমেল হেলথ ৱার্কর ত্রেন্নিং স্কুলগী কেম্পিং, লেম্প লাইটিং অমসুং ওট টেক্কিং থৌরমদা শ্রী চমবো গোনমৈনা ফোংদোকখিবনি।

ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিএল হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নর্সশিংনা ফ্লোরেঞ্জ নাইতিংগলগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা ৱাশক লৌখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ডা: চমবোনা হায়-অনা লায়েংগী লমদা পেরা-মেদিক ডাক্তর খক নত্তনা নর্স অসি য়ামা মরুওই। মহাকা হায়-অনা লায়েংদা ডাক্তরশিংগী থৌদাং চাউই অদুবু নর্স লৈত্রবদি অনাবশিংগী সেবা তৌবীনবা মীওই লৈরোই। মরম অদুনা নর্সশিংনা পুকচেল শেংনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা অনাবশিংবু চেকশিন্না য়েংশিনবীয়ু হায়খি।

**টোবেকো (এল)ঃ** নেসনেল টোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রাম (এন.টি.সি.পি) গী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট টোবেকো কন্ত্রোল সেলনা শিনদুনা টোবেকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেইন টু পোইন্ট জিরোগী মতাংদা মীয়াম পুন্না ৱাখল তামীন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ময়াংলাংজিং হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এন.টি.সি.পিগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-ডা: এ. দিনেস শর্ম্মা অমসুং এন.টি.সি.পিগী সোসিএল ৱাকর-আর.কে. নরেন্দ্রনা হিদাক মনা য়াওবা পোৎলমশিং শিজিন্নবগী মাঙজবা অমসুং সিগরেট এন্দ আদর টোবেকো প্রদক্সস এক্ট ২০০৩ অমদি প্রোহিবিসন ওফ ইলেক্ট্রোনিক সিগরেট এক্ট ২০১৯ গী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ময়াং লাংজিং হায়স্কুলগী মহৈরোই অমদি ওজাশিংনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নদবা মহৈ লোইশঙ অমা ওইহন্নবা পুন্না ৱাশক লৌখি।

**মীয়াম (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংগী ওইনা থা অসিগী তরেৎতা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোক্লগনি হায়না মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা অহবা চেরোল

অমা থোকখ্রে।

বিষ্ণুপুরগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম অসি ফেব্রুৱারী ৮ ফাওবা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্কনি। ককচিং জিলাগী ওইনা থৌরম অসি অয়ুক পুং ১১ দগী হৌদুনা সব-দিভিজনেল ওফিসার-ককচিং অমসুং সব দিভিজনেল ৱাইখোংগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। মীয়ামনা রাজ্য সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং য়াওনা হেলথ কার্ড, রেসন কার্ড, বার্ড সার্টিফিকেট অমদি ওল্ড এজ পেন্সনগী মতাংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মনাক নকপা ওফিসশিংদা ৱাকৎপা য়াগনি। থৌরম অসিদা হকশেল, বি.দি.ওগী ওফিসিএলশিং, পি.ডব্লিয়ু.ডি, শিক্ষা অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল বিভাগকী ওফিসিএলশিং শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, কামজোং জিলাগী ওইনসু ফেব্রুৱারী তরেৎতা দিষ্ট্রিক্ট হিলস লিদর ডে অমসুং মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম কসোম খুল্লেন সব-দিভিজনগী কে. সোমরৈ খুলদা লৈবা পঞ্চায়ট কোর্টতা পুন্না পাঙথোক্কনি। মসিগীদমক এ.সি. টু দি.সি. কামজোং-সয়দ অমজাদ আলিনা দিষ্ট্রিক্ট কোওর্দিনেটর ওইবা অখন্নবা সেল অমসু হাংদোক্লে। মীয়ামনা থা খুদিংগী মরিশুবা ইরাই নুমিৎতা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খঙহল্লকপা য়াগনি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** বোর্ডর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ) না মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎপা খোঙথাংগী মনুং চন্না ঙসি ৩৭ শুবা বি.এস.এফ. বটালিয়ননা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা কৈথেলমানবী মিলিটরি কোলোনিদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা মীওই ১০০ রোম লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী তুপুলদা থোকখিবা চিং নিংখায়বগী থৌদোক্তা

শিন্মীশিং কন্নবা হোৎনবদা লৈখিদ্রবা ভারত লান্মীশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ঙসি থৌদোক থোকফম অদুদা চৎতুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

হৌখিবা চহি ২০২২ গী জনদা থোকখিবা চিং নিংখায়বগী থৌদোক অদুদা জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল মেগা রেলৱে প্রোজেক্টকী থবক শুরিবা শিন্মীশিং কন্নবা হোৎনবদা ভারতকী লান্মী কয়া থৱায় মাঙখিবনি। থৌদোক থোকফম অসিদা ঙসি লৈখিদ্রবশিংগী লোয়নবী অমদি ইমুং মনুংগী মীওই ৩০ রোমনা হকথেংননা চৎতুনা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

**অগ্নীবির (এল)ঃ** ভারত লান্মীদা অগ্নীবির কাংলুপ্তা য়াওনবগীদমক পাঙথোকপা কম্মন এন্ট্রান্স ইগজাম (সি.ই.ই) গী ওন লাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌবা চৎলিবা থা অসিদগী হৌরগনি।

রিক্রুইটমেন্ট অসিগীদমক লুহোংদ্রিবা নহাশিংনা ভারত লান্মীগী ৱেবসাইটতা ওন লাইনগী খুত্থাংদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াগনি হায়রি।

**অসামঃ** অসাম রাইফলসনা নুপী অমা লুপা লাখ ৩৫ হেনবগী হেরোইন নম্বর ফোরগা কোন্ননা মিজোরামগী দাউপীদগী ফারে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-অসাম রাইফলসনা ময়াই কাবা নিশাগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা আইজোলগী এন্টি নার্কোটিক স্কাউদ, এক্সসাইজ অমদি নার্কোটিক্কী অপুনবা কাংবু অমনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চখ্রবদা নুপী অমা হেরোইন গ্রাম ৫০ গা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা নিশাগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ত্রিপুরা পুলিস অমসুং কষ্টম প্রিভেন্টিব ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা সেপাহিজলা জিলাগী মনুং চনবা বিজয় নাগরদা গঞ্জা পান্বী লিশিং ৭৫

রোম মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে। গঞ্জাশিং অসি কৈথেলদা লুপা কোতি অনি হেনবগী শেনফম ওইগনি হায়রি।

**দিল্লিঃ** সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভাগী মীখলগী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা থাদনখ্রে। ঙসি নুংথিল পুং মঙা ফাওবদা ভোট থাদনখিবগী চাং চাদা ৫৭.৭ ওইখি।

মীখল অসিদা পুন্না মীরেপ ৬৯৯ না লম্বা তৌনরি। ভোট থাদবা ঙসি অয়ুক পুং ৭ তগী হৌখি। নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক ফাওবা চত্থখি।

মীখল অসিগীদমক ইলেক্সন কম্মিসননা পোল্লিং পার্সোনেল লাখ অমা লিশিং ৮০ হেন্না শিজিন্নখি। ঙসিগী মীখল অসিদা মীরেপ ওইখিবশিংগী মনুংদা আম আদমি পার্টিগী নেসনেল কনভেন্নর-অরবিন্দ কেজ্রিৱাল, দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-অতিসি অমদি মন্ত্রি-গোপাল রাজ য়াওরি।

বি.জে.পিগী বিজেন্দ্র গুপ্তা, প্রভেস বরমা, রামেস বিধুরি অমসুং কৈলাস ঘেলোট য়াওরি। কংগ্রেস লুচিংবা সন্দিব দিক্সিত হরুন য়ুশুব অমসুং অলকালম্বাসু মীখল অসিদা মীরেপ ওইরি।

**জয়ঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা ঙসি য়ু.এন.জি.এগী রাস্ত্রপতি-ফিলেমোন য়াংগা ন্যু দিল্লিদা উন্নখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-রাস্ত্রপতি ফিলেমোনগা উন্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা য়ান্নখিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মসিগীসু মথক্তা মালেমগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদসু কুপা খন্নখি।

**কুম্ভঃ** উত্তর প্রদেসকী প্রয়াগরাজতা পাঙথোক্লিবা মহা কুম্ভ মেলাদা ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ত্রিবেনি সঙ্গমদা ইরুপ্পুনা লাই খুরুমখ্রে।

সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ত্রিবেনি সঙ্গমদা ইরুপ্তুনা লাই খুরুম্বা অসিনা ঈশ্বরগী অশেংবা ভক্তা অমা ওইবগী ইথিল অদু ফাওহল্লে। গঙ্গা ইমানা লৈবাক অসিগী মীয়ামবু শান্তি লৈনা অমদি য়াইফ নুংঙাইনা লৈবা পীনবীবা ওইরসনু।

**পিএমঃ** ইসনেলি মুস্মি মিল্লিয়ন কয়াগী লুচিংবা-প্রিন্স কারিম অগা খান দা ফোর্থনা লৈখিদবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-প্রিন্স কারিম অগা খান মীৎয়েং শানবা লুচিংবা ওইবতা নত্তনা মীয়ামগীদমক কৎথোক্কুনা লাকখিবা মীওই অমনি। মহাকা হিংলিঙৈ মতমদা হকশেল, শিক্ষা অমদি নুপী হেন্না শক্তি পীনবা হোৎনরমখি। অগা খানগা উন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই কয়া শান্নবা ফংহৌখিবা অদু লাইবক ফাবনি হায়রদুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুং অমদি মালেম অসিদা লৈরিবা প্রিন্স খানবু নুংশিজবা মীওইশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি।

**গেমস (এল)ঃ** উত্তরাখন্দদা চথুরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা, ঙসি মনিপুরনা তোঙান তোঙানবা মশান্নদা শেঞ্জেংগী তকমান অনি লৌবা ঙমলে।

হৌজিক ফাওবদা মনিপুরনা সনাগী ১১, লুপাগী ১০, শেঞ্জেংগী ৭ পুন্না তকমান ২৮ ফংদুনা ৫ শুবা মফমদা লৈরি। গেমস অসিদা ঙসি মনিপুরগী রোয়িংগী মিতর লিশিং ২ গী নুপীগী স্কল ইভেন্টতা মণিপুরগী থাংজম প্রিয়া দেবী অমসুং হাওবিজম তেন্দেনথোই দেবীগী জরানা ঙসি শেঞ্জেংগী তকমান ফংবা ঙমলে। অদুগা সাইক্লিংগী কিলোমিটর অমগী ইন্দিভিজয়েল টাইম ত্রাইয়েলদা মনিপরগী য়াংলেম রোহিতনা শেঞ্জেংগী তকমান অমা লৌখি।

করনাতকা সনাগী ২৮, লুপাগী ১২, শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না তকমান ৫৩ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মকোক্তা লৈরি। সার্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দনা

সনাগী ২১, লুপাগী ১০, শেঞ্জেংগী ৯ পুন্না তকমান ৪০ ফংদুনা অনিসুবা মফমদা লৈরি।

অমরোমদা, গেমস অসিগী বোক্সিং মশান্নদা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৭ কী কাংলুপ্তা মনিপুরগী বোক্সর-সোভি রুইচুমহাও জাদো সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৫১ গী কাংলুপ্তা মনিপুরগী ককচিং জিলাগী নাপৎতগী বোক্সর-চিংলেম্বা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** লমলোং থোংখোঙ আর্টিফিএসিয়েল তর্ব গ্রাউন্দদা চংখরিবা ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ঙ ফিজিক্স য়ুনিয়ননা টিদিম রোর্ড এঠলেটিক য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১৫ শুবা সয়িদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সি.আর.পি.এফ. ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই.এস.ডব্লিয়ু.এনা এ.এস.য়ু.এফ.আই.আইবু পাঞ্জল ৭-৬ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা এফ.সি. রেংদাইনা ৱাফাবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** ৪ শুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরতিন তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি পি.টি.আর.সি. গ্রাউন্দ পাৎশোই পার্ট ফোরদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা-এম.পি.এ. থৌনাওজমনা এস.এস.সি. পোরোম্পাৎপু ৱিকেট মঙাদা থোইখ্রে।

তাউথোংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা অল-আমিন লিলোংনা চেম্প ক্রিকেট ক্লব-খাগেমপলিবু রন-৪৭৫ দা থোইখি।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা-কে.সি.সি. কোংবা বজারনা ডব্লিয়ু.ৱাই.সি. থৌবাল ৱাংখেমবু রন-৪৪ দা থোইখি। অদুগা

কোংবা ধোবি লম্পাক সেদোগ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোই পার্টি ফোরনা বি.কে.সি.সি. বামোন কম্পুবু রন-১০৪ থোইখি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর ফিফতিন ৰান দে ট্রোফি-২০২৪-২৫ গী ঙসি থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা অল-আমিনবু ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।